মপানগী পাউ

বেহরানদা প্রোটেষ্টর লায়েংলুবা মেদিক্স ২০ কোর্টনা জেলদা পুন্সি চুপ্পা লৈনবা দন্দি পীখ্রে

মানামা, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ বেহরানদা কোর্ট অমনা মেদিক্স ২০ বু প্রোটেষ্টরশিং লায়েংলম্বগীদমক্তা সরকার ইন্থুনবা হোৎনৈ হায়বগী মরালদা চহি ১৫ চুপ্পা জেলদা লৈননবা দন্দি পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েলগী ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

অতোপ্পা তোঙানবা কেস অমদনা স্পেসিয়েল সিক্যুরিটি কোর্ট অমনা প্রোটেষ্টর অমবু পুলিসমেন অমা হাৎখিবগীদমক্তা শিবগী দন্দি পীখ্রে হায়রি। মেদিক্সশিং অদু হঙ্গর ষ্ট্রাইক চংশিল্লবা মতুংদা বেলদা থাদোরকখিবদি লৈখ্রবনি। সনিনা শাসন তৌবা কিংদম অসিদা লৈবাক অসিগী মেজোরিটি ওইরিবা সিয়াগী কাংবুশিং অসিনা মখোয়গী অহেনবা রাইটশিং তান্নবগীদমক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী ইহৌ চংশিনখিবদা অশোক অপন নংলবা মীওইশিং অদুবু মেদিক্সশিং অদুনা লায়েংখিবনি।

হ্যুমেন রাইটসকী এক্টিভিষ্টশিংনদি মেদিক্সকী মায়োক্তা দন্দি অদু পীখিবা অসিদা অঙকপা অমা ওইনসু থোক্লি। মেদিক্সশিংবু বেলদা থাদোরকখিবা লৈখিবদগী মখোয়শিং অদু গভর্নমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংদা কোমথোক্লে হায়না খনবদি লৈখিবনি হায়রি। বেহরানগী ডোক্তর অমদি নর্সশিং অদু গভর্নমেন্ট ইন্থুনবা হোৎনবা অমদি কাংলুপ মশেল নুংশিনদনবা ইনশিনবগী মরালদা চহি ৫ দগী ১৫ ফাওবা জেলদা লৈননবা দন্দি অদু পীরি।

হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনদি মখোয়শিং অদুগী মথক্তা পীরিবা দন্দি অদু মরম চাদে। মরমদি মখোয়না চুম্ন তগী তৌফম থোকপা মথৌ অদু তৌখিদবনি হায়রি। মেদিক্সশিং অদুনা অশোক অপন নংলবা সিক্যুরিটিগী ওফিসিয়েলশিংদি লায়েংউ হায়বা য়াদে হায়বগী মরাল অমসু শিরি। মেদিক্সশিংগী মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদগী ফংবা ৱারোলশিংগী মতুংইন্নদি জুন থাদা মখোয়গী মরালশিং অদু মশানা য়াজনবা ওৎপা নৈবগী থৌওংশিং ফাওবা চথখিবা লৈখি। ফেব্রুৱারী অমদি মার্চ থাদা লৈবাক অসিদা প্রোটেষ্ট তৌবগী ইহৌ চংশিনখিবা লৈখিবনি। তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টনা ফোর্স শিজিন্নদুনা মদুবু নমথখিবনি। অদুম ওইনমক প্রোটেষ্টরশিং অসিনা মখোয়গী ইহৌ অদু শাগৎনবগী থৌওংশিংদি অদুম্মক চথদুনা লাক্লি হায়রি।

ঙরাং সিক্যুরিটিগী কোর্টনা সিয়াগী এক্টিভিষ্ট ৮ বু প্রোটেষ্ট তৌবগী রোলদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগীদমক্তা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈননবা দন্দি পীখ্রে। অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট ১৩ অমনা চহি ১৫ চুপ্পা জেলদা লৈননবা দন্দি অদু পীখিবনি হায়নসু হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াদা প্লেন অমা কায়বদা মীওই ১৮ শিখ্রে

জকারটা, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ ইন্দোনেসিয়াগী নোংচুপথংবা শরুক্তা অপিকপা প্লেন অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

স্পেন্না দিজাইন তৌদুনা শাবা কাসা সি -২১২ প্লেন অসিনা নোর্থ সুমাত্রা অমদি অসিহ প্রোভিন্সকী মরক্তা পাইদুনা লাকখিবা মতমদা লম্বী ময়াই চল্লকপা মতমদা প্লেন কায়খিবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ট্রান্সপোর্টেসন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোংদোক্লি। টরবোপ্রোব পৱার এয়রক্রাফ্ট অদুনা দিষ্ট্রেস সিগ্নেল পীরকখিবা লৈখি অমদি মদুনা রাদরদগী দ্রোপ তৌখি হায়নসু হায়রি।

মৈ চাক্লবা প্লেন অদু মৈখু চাওনা কারগা পাইবগী শক্তমশিং অদু উবগা লোইননা কায়দুনা তাশিনখিবনি হায়রি। বাহরোক ভিলেজগী চীংগী জগাশিংদা নোংথক্তগী প্লেন তোংদুনা য়েংখিবা মতমদা প্লেনগী অতেক অকায়শিং অদু তাদুনা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি। মসিদা পেসেঞ্জরশিং অদুগী মরক্তা হিংলম্বা য়াওরমগনি হায়বগী থোয়দোকপা থাজনিংঙাইগী ৱাফম লৈত্রে।

ইং ১৯৮৯ গী মতমদা ইন্দোনেসিয়াদা শাখিবা এয়রক্রাফ্ট অদুনা সেপ্টেম্বর ২২ দা অরোইবা ওইনা ইন্স্পেক্ট তৌখিবগা লোইননা প্লেন অদুগী মশাদা অশোয় অঙাম থোক্লোই হায়বগী থাজবদি লৈরিবনি। ইন্দোনেসিয়া লৈবাক অসি মীওই মিলিয়ন ২৪০ রোম লৈরি। হন্দক্কী চহি খরগী মতম অসিদা ইন্দোনেসিয়াদা ট্রান্সপোর্টেসনদা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং অসি হেনগৎলক্লি হায়নসু হায়রি।

টাইফুন নেশাটনা অৱাং নোংপোক থংবা প্রোভিন্সশিং অমসুং ফিলিপ্পাইনগী কোনুং মনিলাদা লান্দারকখ্রবা নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা মীয়াম্না অৱাং থংবা ফিলিপ্পাইনগী টার্লাক প্রোভিন্সতা লৈবা লা পাজ টাউনশিপতা ঈশিং মরক্তা চৎলি

য়ুএসকী ৱাফম খন্নবা পাকিষ্টানগী লুচিংবশিংনা মীফম পাংথোক্লি

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ পাকিষ্টানগী মরুওইবা ইন্টলিজেন্স এজেন্সি আইএসআইবু অফগানদা লৈবা ইন্সরজেন্টশিং সপোর্ট তৌই হায়বগী ৱাফম অমা য়ুএসকী মায়কৈদগী মরাল শিরকপা লৈরিবা ৱাফম অসি থেংননবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী পোলিটিকেল অমদি মিলিটরিগী লুচিংবশিংনা মীফম চত্থরি হায়না ওফিসিয়েলগী ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

য়ুএসনা ৱাফম অদুনা মরুওইনা পাকিষ্টানদা মিলিটরি এক্সন চত্থরক্কদ্রা হায়বগী নুংনাংবা পোকহল্লে হায়নসু হায়রি। ইন্টলিজেন্স চিফ লেফটিনেন্ট জেনরেল অহম্মদ শুজাপাসাদনসু মীফম অদুদা ৱা ঙাংগনি হায়নসু হায়রি। অমেরিকাগী জোইন্ট চিফ ওফ ষ্টাফকী চেয়রমেন ওইবা এদমিরেল মাইক মুলননা মমাংগী চয়োলদা মিলিটেন্ট হকানিট নেটৱার্কপু পাকিষ্টানগী স্পাই এজেন্সিদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফংই হায়না মরাল শিখিবা লৈখিবনি। মসিদা পাকিষ্টান্না য়ুএসকী ৱাফম অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা উৎপগা লোইননা অফগানিষ্টানদা মিলিটেন্ট নেটৱার্কশিং থেংনবা ঙম্লগা পাকিষ্টানদা মরাল থংজিন্দুনা বালিগী হামেং তাহন্নবা হোৎনরে হায়নসু হায়রি।

মরক অসিদা অফগানিষ্টানদা লৈবা নেটোগী লান্মীশিংনা শিজিন্নবগীদমক্তা থাও পুরিবা ওইল টেঙ্কর অমদা বোম কাপশিল্লক্তুনা লান্দাশিল্লকখিবা লৈখিবদগী পাকিষ্টানগী ওথোরিটিশিংনা বোর্দর ক্রোসিং অমা থিংজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি। পুলিস ওফিসার মহম্মদ টায়ব কৌবা অমনদি সমান বোর্দর ক্রোসিং অদু সিক্যুরিটি রিজন্না মরম ওইদুনা থিংজিল্লে হায়রি।

ঙসি থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা বোম লৌথোক্লনবা হোৎনরকখিবা বোম দিস্পোজেল এক্সপার্ট অমা শিখ্রে হায়নসু হায়রি। মহৌশাগী ওইনা পাকিষ্টান্না ঙমখৈ পরিংগী জগাশিং অদু এটেক চত্থরবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা থিংজিনবগী থৌওংশিংদি অদুম্মক চত্থদুনা লাকখিবনি।

য়ুএসনা পাকিষ্টানবু অফগানগী লালহৌবশিং শৌগৎলি হায়না ফোংদোক্লকপদগী লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না ফৎচিল্লক্তবা ফিভমদা লাক্লি হায়নসু হায়রি।

বার্লিনগী জর্ম্মন পার্লিয়ামেন্ট বুন্দেষ্টাগতা শেল পুখরবা ইয়ুরোপ্পু তেংবাংনবা ভোট পীরবা মতুংদা জর্ম্মনগী চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি

ইন্টরপোলনা রেদ এলার্ট ইসু তৌখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ লিবিয়াদা মফম তাহ্নোকখ্রবা কর্নেল গদাফিগী মচানুপা অল সাদিবু ইন্টরপোলগী মোষ্ট ৱান্টেদগী লিষ্টতা চনখ্রে অমদি মহাক্ অরোইবা ওইনা নাইজরদা লৈবা থেংনখি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

অল সাদি গদাফিগী রেদ নোটিশ ইন্টরপোলনা ইসু তৌখ্রে। মসি মরুওইনা নেসনেল ত্রাঞ্জিসনেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী হায়জরকখিবদগীনি হায়রি। লিবিয়াদা গদাফি তাহ্নোকখ্রবা মতুংদা নেসনেল ত্রাঞ্জিসনেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী হায়জরকখিবা লৈখিবগী মতুংইন্না অসিগুম্বা নোটিশ অমা ইসু তৌবসি ইন্টরপোলগী ওইনসু অহানবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী চহি ৩৮ শুরবা অল সাদি গদাফিগী মথক্তা শিখিবা মরালশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্টরপোলনা নোটিশ অদু ইসু তৌখিবনি। মহাক স্পেসিয়েল ফোর্সকী কম্মান্দর অমা ওইরমখি অমদি দেমোন্সত্রেসন পাংথোক্লিবা মীওইশিংদা নমথনবগীদমক্তা মিলিটরি য়ুনিট কম্মান্দ তৌবগীদমক্তা মহাকপু য়ুএননা সেঙ্কসন থম্বগী ৱাফমসু খন্নরিবনি। অল সাদি অমদি অতোপ্পা গদাফিগী রিজাইমদা লোয়েলিষ্ট কাংবুশিং অদুনা চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা নাইজরদা চংশিনখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

ইন্টরপোলনা নাইজরদা লৈবা ওথোরিটিশিংবু গদাফিবু ফানবগীদমক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা খঙহনখিবা লৈখিবনি হায়নসু হায়রি। মসিগী মমাংদা ইন্টরপোলনা গদাফি অমদি মহাক্কী মচানুপা সাইফ অল ইস্লামগী মথক্তসু রেদ ইসু তৌখিবা লৈখিবনি। ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টনা হায়জরকখিবগী মতুংইন্না খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি। মখোয় অনিমক হ্যুমেনিটিগী মায়োক্তা ক্রেইম চত্থবগীদমক্তা চার্জ তৌরিবনি হায়নসু হায়রি।

হোংকোংদসু টাইফুন নেসাট লাকখ্রে

হোংকোং, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ হোংকোংদা টাইফুন নসাট লাকখিবদগী নোং লেপ্তুনা চুবগী থৌওংশিং চত্থরকপগা লোইননা সমুদ্রগী ঈথক ইপোমশিং হেন্না কনখৎলকখিবদগী লমদম অদুগী মহৌশাগী পুন্সিদা হেন্না অকায়বা থোকখিবগা লোইননা স্কুল, কলেজ, কৈথেলনচিংবা নিংথিজনা ফম্বা ঙমখিদ্রে হায়না ওফিসিয়েলগী ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

সিটি অসিদা টাইফুন নাসাট লাক্কনি হায়বা লৈবদগী মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎননবা খঙহনখিবা লৈখিবনি। ফেরি সার্ভিস অমদি বস সার্ভিস খরসু কেন্সেল তৌখিবা লৈখ্রে অমদি ত্রেনশিংসু মসিনা মরম ওইদুনা নিংথিজনা চেনবগী চাং হন্থরক্লি। লম্বী শরক্তা মী ইচৎ চৎনখিদে। লোকেল রেদিওনদি টেক্স ড্রাইভর অমা য়াওনা মীওই অনিদি অশোক অপন নংলে হায়রি। সমুদ্র খোঙবানদা লৈরিবা হিথাংফমশিংদা ইথক ইপোম কন্না জহাজশিংদা হুমজিল্লকখিবা লৈখি। হিথাংফমগী মনাক নকপদা লৈরিবা ফ্লেটশিংদগী মীওই ৫০ রোমসু হোংদোকখিবা লৈখ্রি। সিটি সেন্ত্রেল বিজিনেস দিষ্ট্রিক্ট তা থবক তৌবা লি সাং কৌবা উকিল অমনদি মহাক্না ওফিস কাদুনা লাকখিবা মতমদা থোঙ লোন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি। মহাক মশা মথন্তমক ওফিস অদুদা লাকখি হায়রি। মহাক্না ওফিশ কাদ্রিঙৈদা ঈ পাউশিং হান্না তারমগদবনি হায়নসু হায়রি।

টাইফুন নেসাট অসিনা হোংকোংদগী খা নোংচুপ পাংবা মায়কৈদা কিলোমিটর ৩৭০ রোম লাপ্পা লৈ অমদি মসিনা চাইনাগী হাইনান আইলেন্দ তম্মসু চংশিল্লক্লি। চৎলিবা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফিলিপিন্সতা টাইফুন নেসাট অসিনা হুমজিল্লকখিবদগী মীওই ১৮ লোম হেন্না হাৎখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি হায়রি।

সাউদি অরাবিয়াদা নুপী ১ কোর্টনা লীচৈ ১০ কন্নবগী পীখিবা দন্দি নিংথৌনা ককখ্রে

জেদাহ, সেপ্টেম্বর ২৯ ঃ সাউদি অরাবিয়াদা নিংথৌ অব্দুলাহনা নুপী অমবু নিয়ম থুগায়দুনা গারী থৌরম্বগীদমক্তা লিচৈ ১০ কন্ননবা দন্দি পীখিবা কোর্টকী রুলিং অমবু নিংথৌ অব্দুলাহনা অথিংবা পীখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোংদোক্লি।

রুলিং অসি ওফিসিয়েলগী ওইনা চপ চানা কনফার্ম তৌবা লৈত্রগসু সাউদি প্রিন্সেসকী মায়কৈদগী থাদোরকখিবা ৱারোলশিং অমদি ঈ-পাউচেশিংনা পন্দুনা ফোংদোক্লবদি লৈরে। সেমা হায়না কৌবী নুপী অসিনা চৎলিবা চহি অসিগী জুলাই থাদা জেদাহদা নিয়মগী ৱাংমদা গারী থৌদুনা চৎলম্বা থেংনখিবনি।

ইং ২০১৫ গী মতমদদি সাউদি অরাবিয়াদা অহানবা ওইনা নুপী ওইবীশিংবু ভোট থাদবা য়াহল্লগনি হায়না নিংথৌনা লাওথোকখিবা নুমিৎ নিনি লৈরবা মতুংদা দন্দি অদু পীরকখিবনি। সেমাগী মথক্তা কোর্টনা পীরিবা চৈনা কন্নবগী দন্দি অদু ককখিবা অসিদা ঈশ্বরগী মফমদা ঐখোয়না থাগৎচবা ফোংদোকচরি অমদি ঐখোয়গী নুংশিজরবা নিংথৌবুসু থাগৎচরি । মসিগীসু মথক্তা প্রিন্সেস অমিরা অল তাৱিল অমদি মহাক্কী লোইনবী অনৱালিদ বিন তলালবুসু থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা নুপী ওইবী পুম্ন মক্লা হরাওবা পোক্লেগানি হায়রি। চৎলিবা চহি অসিগী লোইশিল্লকপদা অতোপ্পা নুপী অনি অমসু চপ মান্নবা চার্জগীদমক্তা কোর্টতা থোক্কদৌরিবনি হায়রি।

হন্দক্কী চহি খরগী মতম অসিগী মনুংদা নুপীশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী সিটিশিংদা গারী থৌদুনা কোয়না চৎপগী থৌওংশিং হেনগৎলকপা লৈরিবনি। জেদাহদা বেজ তৌবা জর্নেলিষ্ট মহাঅকিলনদি কোর্টকী রুলিং অদু মীয়ামগী চৎনবীগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি। পুলিসনা সাউদিগী নুপী ড্রাইভরশিংবু খরখক্তমক খাম্বগী থৌওংশিং চত্থদুনা লাক্লি। মসি নুপীশিং অসিনা গারী থৌবদসু ওফিসিয়েলগী ওইনা থৌশাদবগী ফিভম অমদা লৈবা মাল্লি অমদি মসি মীয়াম্নসু ওফিসিয়েল ওইদ্রিঙৈ মমাংদা নুপীশিংবু গারী থৌবসি অদুম্মক চত্থজসনু হায়বগী থৌওং অমদা লৈবা মাল্লি হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রিয়েক্সনশিং অসি পোজিটিভ ওইরি অমদি মীওইশিং অয়াম্বনা প্রোব্লেমশিং থেংনবা লৈত্রি। সাউদি অরাবিয়াদা নুপীশিং অসিবু গারী থৌবা য়াহন্দুনা মখোয়গী পোলিটিকেল সোসাইটিদা শরুক য়ারকপগী ওইথোকপসু য়ানা লৈরিবনি। সাউদি অরাবিয়াদা চৎনরিবা ইস্লামিক্কী লো অসিনা নুপী ওইবীশিংবু করিগুম্বা মখোয়না মীয়ামগী মীরক তিনবা তারগসু মখোয় মখোয়গী নুপা ওইবশিংগী মখাদা থবক তৌগদবনি হায়বগী ৱাফম অমা লৈরিবনি।

২০০৫ কী মতমদা কিং অব্দুলাহনা লৈবাক অসিদা শাসন তৌবা হৌখিবদী নুপীশিংগী ওইবা রাইটশিংদা মহাক্না থোয়দোক হেন্দোক্লা অথিংবা থল্লিবশিংদু কোমথোক্তুনা রিফোর্ম তৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীখিবা লৈখিবনি।

খঙজিনবদা কান্নবা

মালেমগী খ্বাইদগী চাওনা সনা তুংদুনা লৈবা লৈবাক

ঘানা লৈবাক অসি সনা য়াম্না মরাং কায়না ফংবা লমদম অমা ওইবনা মতম অমদদি গোল্ড কোষ্ট ওফ অফ্রিকা হায়রগা খঙনরল্লিবনি। হৌজিকসু লৈবাক অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা গোল্ড রিজার্ভ ওইরি। ৱেষ্টর্ন অফ্রিকাদা লৈবাক অসিনা লৈরি। মসিগী কেপিটেল অসিনা অক্রানি। লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা কোষ্টেল প্লেন লৈ। অদুগা মসিগী অৱাংথংবা শরুক্তনা সভানাহ (উ লন্না হৌবা নাপীগী লমদম) লৈরি। সভানাহ অমদি কোষ্টেল প্লেনগী জগাশিংদা হেক য়েংবদা মওং মরিল য়াম্না থিবা উ পাম্বী মখল অমা ওইরিবা বাওবাব উ পাম্বী হৌরি। মফম অসিদা নখোয়না অচৌবা ককচেং মহুম লৈবা লৈবুং থেংনগনি। অৱাংবা উ মখল অমা ওইরিবা মহোগানি সু হৌই। লৈবাক অসিদা মখল কয়াগী শা শিংসু লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা নোংশা, কবোকৈ, শামু, ইরোই, য়োং অমদি লিলনচিংবশিংসু য়াওরি। ঘানাদা লৈবা মীওইশিং অয়াম্বনা ঙা ফাবা, উ য়ানবা অমদি গোল্ড মাইনিংগী থবকশিং তৌই। ফার্ম তৌবা অসিসু লমদম অসিদা য়াম্না মরুওইবা শিনফম অমা ওইরি। ফার্মলেন্দশিং অয়াম্বনা ককাওনচিংবা থাই। পাম্বী অসিনা কোকাবিন পুথোক্লিবনি। মসিনা চোক্লেটনচিংবা শাবদা পাক শন্না শিজিন্নরিবনি। ককাও টিম্বর অমদি সানা বু লৈবাক অসিদগী মপাল লৈবাকশিংদা চাউনা এক্সপোর্ট তৌই। চহি কয়াগী মমাংদা অলমোরাভিদ হায়না খঙনবা নোর্থন অফ্রিকাগী কাংবুশিংনা ঘানাবু জয় তৌশিল্লগা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু নমদুনা মীনাই নাইথাং ওইহনখি। মতমদুদগী হৌনা ঘানাদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মীওই কাংলুপ কয়া থুংলবা হৌখি। ১৪০০ গী মতমদা পোর্টুগীজনা ঘানাদা থুংখি। মখোয়না সনা, শামুময়া অমদি মীনাই ললোনবগী থবক চত্থবা হৌখি। মসিগী মতুংদা ফ্রান্স, বৃটিশ, দটচ, স্বিদিস অমদি দেনিস নচিংবা মীওইশিংসু লাকখি। ১৯০১ দা বৃটিশ কোলোনি ওইখি। ১৯৫৭ দা বৃটিশকী মখুত্তগী ইন্দিপেন্দেন্স ফংখি।

জপানগী লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন মণিপুরদা থুংলরে

লিঙ্গ বধক অয়ুরবেদিক ওইল লেম্না পীজগনি

নুপাগী সেক্সকী সমস্যা (মেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম):

নুপাগী ফমবী থুনা থোক্কনবা, ফম্বী পাবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোহ্নবা, নুমিদাংদা ফম্বী চৎপা, খোঙ হাম্বা অমসুং মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নরকপা, ফিনুংগী হকচাংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

নুপীগী সেক্সকী সমস্যা (ফিমেল সেক্সচুএল প্রোব্লেম):

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎথ্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা হকচাং মনুংদা হাক্কচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি অতৈ লায়নাশিং অসি অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

দাইবেটিসকী লায়নাদগী লাপথোকপা ঙম্লে:

দাইবেটিশকী লায়না লৈরবদি ৱেট চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সগী মপাঙ্গলসু শোহ্নরক্কনি অদুনা অয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিং অসি শিজিন্নবিরবদি মতম খরগী মতুংদা দাইবেটিক্সকী চাংসু নোংম নোংমগী হন্থরক্কনি অদুগা সেক্সকী মপাঙ্গলসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি অদুনা অথুবা মতমদা তান্নবীয়ু।

লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন (Organ Developer Machine):

যন্ত্র অসিগী মতেংনা অদোমগী প্রাইভেট পার্ট অদু শাংবা অমসুং চাওখৎহনবগা লোয়ননা হকতিন্নবগী মতম শাংদোকহল্লি। মমল লুপা ৪৫০ খক্তনি।

ব্রেষ্টকী প্রোব্লেম (Ladies Breasts):

অয়ুরবেদিক্কী মেদিসিননা অদোমগী অপিকপা অমসুং চোহ্নবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজবা, পুক্লিং চীংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপুং মরৈ ফানা থম্নবগীদমক ঙসিমক লাক্তুনা ব্রেষ্ট ওইলমেন্ট অমদি হিদাক শীজিন্নবীয়ু।

নুংশং / Piles :

ঈ তাবা, চাফৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শীজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্লে। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা কান্নবা খঙবা ঙমগনি।

অঙৌবা পকপা (White Patches) Lecoderma:

অঙৌবা পকপশিংবু থুনা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সন থুংলরে। হৌজিক্তি অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱারুবগী দরকার ওইদ্রে। ইঞ্জেক্সন অসি শীজিন্নবনা পুং ২৪ গী মনুংদা অঙৌবা পক্লিবা মফম অদুগী মচু হোংলক্কনি। লোয়ননা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। Note: লোয়ননা মাইহিং স্কিন অজমা, উরিং, মাই চাফৎপা মখল খুদিংগী স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

শমগী প্রোব্লেম Grey Hair, Hair Falling:

শম কেনবা, কোক তাঙবা, পোক হৌবা, শমজাবী অসিনচিংবা লায়নশিংদা কোক্তা তৈনবা থাও অদুগী অতোপ্পা হিদাক খরগা শিজিন্নবীরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি অনৌবা শম হৌগৎলক্কনি অমসুং পোক্কী মচু ওল্লক্কনি।

গ্যাষ্ট্রিক্কী প্রোব্লেম (পুক্কী লায়না):

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, অশিনবা কাখৎপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, পুক থীনবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবশিং অসি অয়ুরবেদিক্কী হিদাকশিং অসিনা লায়না ফহনবা ঙম্লে।

নাকোংগী প্রোব্লেম (না তাদবা):

না তাবা ৱাৎপা, নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা, নাকোংদা তাবগী চাং ৱাৎলকপা অমদি অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। অমুক্তং লাক্লগা তান্নবীয়ু।

তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা (Arthritis & Joint Pain)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোং খুৎ শিথবা, মশল নাবা খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা অজমা, লোক খুবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবিরুগনু থুনা উন্নবীদুনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

য়ু করম্না থাদোক্কনি:

অফবা মখলগী আয়ুরবেদিক্কী হিদাক শিজিন্নদুনা য়ুদগী লাপথোক্লবা ঙম্মী। নুংঙাইবা পুন্সি মরেলদা ওইহনবা ঙম্মী। থুনমক তান্নবীয়ু।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
AYURVEDIC & UNANI MEDICINE
Khoyathong Christian Literature House building
Thangal Bazar Road, Khoyathong, Imphal

থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্কে



হৌখিবা তাং ২৫।০৯।২০১১ ইংগী অয়ুক্কী পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ঐগী ইপুরোইবা মোইরাংথেম ইনাওচৌবা সিংহ (৩০) অপোকপা মোইরাংথেম সনামনি সিংহ থম্ন পোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা অসি য়ুমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবা য়ুমদা হঞ্জিল্লক্কে মহাক ফুট ৫ গা ইঞ্চি ৪ রোম ৱাংই, মমাই কোইদানৈ কুলৈ কুচুনি, য়েৎকী খুৎনিংদা দাকফম অমা তাই। মহাক্না থোকখিবা মতমদা হিগোক মচুগী জিন্স খোঙ্গ্রাও, ৱাওথাংনবা মচুগী T/Shirt, Sport Shose অমসুং হঙ্গামপাল মচুগী খোংমোজা অমা তোংখি। মহাকপু কনাগুম্বনা থেংনবীবা থোক্লবদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা নত্রগা মখাগী ঠিকানা অসিদা পাউ পীবিয়ু। তৌবিমল কাওজরোই।

মোইরাংথেম ওংবী ইবে দেবী
থম্নপোকপী অৱাং লৈকাই।

NT/49190/30

HITECH
MOBILES
HEAVY OFFER
Free Watch Worth Rs. 999/-
ON:
HT-2600i, HT-4000, HT-11Link, HT-3500, HT-3310, HT-2650, HT-73Pro, HT-2350, HT-2200, HT-1000
HT-707 (Free 4GB)
HT-73Pro (Free Watch)
Free Quarter Worth Rs. 499/-
ON:
HT-3300, HT-120i, HT-99i, HT-150i, HT-2000i, HT-2100i, HT-150, HT-100, HT-300, HT-93Pro

Lemon mobiles
Stylish Phones with Longlast Battery
D226
Dual Sim
FM/Camera 1.3
Bluetooth/JAVA
Video Player
MP3/MP4,
GPRS/WAP
Lemon Twist,
FB, Nimbuzz,
Buzz, Twitter
8GB expandable
Rs. 1549/-
D335
Dual Sim
Camera 1.3
Mobile Tracker,
Video Recorder,
Autocall Recorder
FM/Bluetooth, JAVA
MP3/MP4, Video Player
GPRS/WAP/MMS
Lemon Twist, FB,
Nimbuzz, Buzz, Twitter
8GB expandable
Rs.1949/-